# এ সী এম এসনা অপীকপা টি গার্দেনশিংদা থবক শুরিবা শিন্মীশিংগী সিক্যুরিটি স্কিম লৈহন্নবা তকশিনখ্রে



দিব্রুগর, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি):
অসাম চায় মজদুর সঙ্ঘ (এ সী এম এস) না ষ্টেট অসিদা লৈরিবা অপীকপা টি গার্দেনশিংদা থবক তৌরিবা শিন্মীশিংগী সোসল সিক্যুরিটি স্কিম অমা লৈহন্নবা দিমান্দ তৌখিবগা লোয়নন্না টি ৱার্করশিং অসিনা থবক শুরিঙৈদা লাইবক থিবা থৌদোকশিং থোক্লবসু মতেং পাংবীনবা লৈতবনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এ সী এম এসকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পেঅস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা এ সী এম এসকী প্রসিদেন্ট পবন সিংহ ঘতোৱরনা হায়, রেজিষ্টর তৌরবা টি গার্দেনশিংদা থবক শুরিবা টি ৱার্করশিংগী ওইনদি তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবশিং ফংলি। মখোয়গী খুৎশুমন অদুগী মথক্তা অতোপ্পা স্কিমশিংদগীসু কান্নবা কয়া ফংবা য়ারি। অদুবু রেজিষ্টর তৌদবা অপীকপা টি গার্দেনশিংদা থবক শুরিবা শিন্মীশিংগী ওইনদি হায়রিবা খুদোংচাবশিং অসি ফংদ্রি। মসিগী মথক্তা টি ৱার্কর অমগী চপ চাবা খুৎশুমন কয়ানো হায়বা খঙজদ্রি। হিরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্মগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে অমদি চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী অপীকপা টি গার্দেনশিংদা থবক তৌরিবা শিন্মীশিংগী নোংমগী খুৎশুমন লুপা ২৩২ দা হেনগৎলগনি হায়বগী থাজবা পীরকপা লৈখ্রে।

ষ্টেট অসিদা অপীকপা টি গার্দেন লাক্ষ ১রোম লৈ। হায়রিবা গার্দেনশিং অসিদা শিন্মী লাক্ষ ৫ হেনবনা থবক শুরি। অদুবু হায়রিবা শিন্মীশিং অসি খুৎশুমন পীক্লা ফংবনা মরম ওইরগা ইমুং মনুং পুনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। টি ৱার্ক ওইনা চহী ৩০ হেন্না লৈরক্লবা শিন্মীশিং ফাওবা লৈঙাক্কী স্কিমশিংদগী কান্নবা অমত্তা ফংবা ঙমদনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎলবদি অপীকপা রেজিষ্টর তৌদবা টি গার্দেনশিংদা থবক শুরিবা শিন্মীশিংগী ওইনদি য়াম্না লাইবক ফবা হায়বদু ওইগনি হায়রি।

অমরোমদা অপীকপা টি গার্দেনশিংগী মপুশিংনদি শিন্মীশিংগী খুৎশুমন হেনগৎহন্নবা লৈঙাক্লা লৌখিবা ফিরেপ অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অচৌবা টি গার্দেন অমদি অপীকপা টি গার্দেনদা থবক শুরিবা শিন্মীশিংগী খুৎশুমন মান্নহনবা হায়বসি য়াবা ঙম্লোইদবা থৌওং অমনি হায়রি।




এস টি দি সী দিমান্দ কম্মিটিনা শিন্দুনা ইমা খুন্থোকহানবী শঙলেন্দা মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপপু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা তকশিনবগী মীফমদা শরুক য়াখিবশিং

# অনইমপ্লোইমেন্টকী মতাংদা টি এম সীগী থৌমীশিংনা ইমপ্লোইমেন্ট এক্সচেঞ্জতা থোমজিনখ্রে



গুৱাহাটি, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি):
অসামদা লাইরিক মতিক চানা হৈবা নহা কয়া লৈরবসু মখোয়শিং অদুদা থবক পীবা ঙমদ্রিবা অসি লৈঙাক্কী অশোয়বনি হায়না ওল ইন্দিয়া ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী যুথ ৱিংনা মরাল শিখিবগা লোয়ননা ঙসি লাইরিক মতিক চানা হৈরবা নহাশিংদা থবক পীয়ু হায়না দিমান্দ তৌরদুনা গুৱাহাটিদা লৈবা ইমপ্লোইমেন্ট এক্সচেঞ্জতা থোমজিনখ্রে হায়রি।

ঙসিগী খোঙজং অদুগা মরী লৈননা ট্রিনামুল কোংগ্রেস অসাম য়ুনিটকী যুথ ৱিংনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা ইলেক্সন মমাংদা থবক ফংদবগী প্রোব্লেমশিং লৈহন্দনবা হোৎনগনি হায়না কয়ারক হন্না মীয়ামদা থাজবা পীখ্রবসু ইলেক্সন মতুংদদি থবত্তা ওন্থোরকপা লৈত্রি। হান্না লৈরম্বা থবক ফংদবগী প্রোব্লেমদগী হৌজিক্লা হেনগৎলক্লি। মসি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙদবগীনি। ষ্টেট অসিদা থবক ফংদবগী প্রোব্লেম মশিং হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয় কয়া লাইরিক তম্লিংবগী ৱাখল্লোন ফাওরক্তুবা য়াওরে। ঐখোয়গী ওইনসু থবক ফংলোইদবা লৈরবদি পায়রিবা সর্টিফিকেটশিং অসিগী চন্নফম লৈতে। মরম অদুনা সর্টিফিকেটশিং অসি এক্সচেঞ্জ ওফিসরদা খুৎশিন্নখ্রগনি হায়রি।

য়ুথ ৱিংগী প্রসিদেন্ট বন্দিপ দত্তনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক মরুওইনা চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্মনা ষ্টেট অসিগী নহা লাক্ষ কয়াদা থবক পীগনি হায়না থাজবা পীখ্রবসু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈরি। চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিগী নহাশিংদা পীরিবা হায়ববু পোৎ চৈগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎলকপগী অৱাবা অমদি হান্নদগী হেন্না থবক ফংদবগী প্রোব্লেম হেনগৎহল্লকপা অসিনি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা নহা খুদিংমক্তা গভর্নমেন্টকী থবক পীবা হায়বসি ওইথোক্তে হায়বা খঙই। অদুবু গভর্নমেন্টকী থবকশিং মতম চানা কৌদুনা খউদোংচাবা পীনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

# মিজোরামদা পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১২৯ থেংনখ্রে

আইজোল, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি):
মিজোরামদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ২১৪ থেংনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ২,৩৬,৫৪৫ শুখ্রে হায়না হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯ গী পোজিটিভিটি রেট অসি চাদা ২০.৭১ ওইখি। মসি য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওই। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস ৭৮ থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই অমত্তা শিহনখিদবনা মরম ওইরগা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা শিহনখিবা মী মশিং ৭১৭ তা লেংদনা লৈরি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ না শোকহনখিবা অপুনবা মীশিং ২,৩৬,৫৪৫ গী মনুংদা মীওই ২,৩৫,১৪৮ মপুঙ ফানা লায়না লয়চৎ অসিদগী ফগৎপা ঙমখ্রে। মিজোরামদা হৌজিক হৌজিক এক্টিব কেস মশিং ৬৮০ লৈরি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লায়না লায়চৎ অসিগী কেস মশিং খঙহেন হেনগৎলকখিবা অসি মীয়াম্না তরাইনা লৌবা য়ারোই। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না লায়না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা কোভিদ-১৯ গী এস ও পি ঙাক্লা চৎনবা অপিল তৌরক্লি।

# নাগালেন্দদা অচৌবা শেনফমশিংগী মথৌ তাবা কয়া লৈরি : সিথারামন

দিমাপুর, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী):
নাগালেন্দদা সোসল দিবলপমেন্ট অমসুং শেমগৎ শাগৎপগী থবক থৌরমশিংগা মরী লৈননা অচৌবা শেনফমশিং মথৌ তারি হায়না য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারামননা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

নাগালেন্দগী চুমুকেদিয়াদা পাঙথোকপা মীফম অমদা নুমিৎ হুম্নি গী খোঙচত্তা নাগালেন্দদা থুংলখিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সিথারামননা হায়, ষ্টেট অসিদা হৌজিক খ্বাইদগী মথৌ তারিবা অসি মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং লৈতবা অসিনি। চীংগী শরুক ওইবনা ইনফ্রাষ্টকচরগী ওইবা থবক থৌরমশিংদসু চাওনা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লি। মরম অদুনা লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা ইনভেষ্টরশিং অমদি কম্পনিশিংনা ষ্টেট অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌবগী তঙায়ফদবসু লৈ। কোর্পোরেট সোসল রেসপেন্সিবিলিটি প্রোজেক্টশিং পায়খৎপা মথৌ তাই হায়রি।

# মহৈরোয় অমত্তা পাস তৌরক্তবদগী গভর্নমেন্ট স্কুল ৩৪ থিংজিনখ্রে

গুৱাহাটি, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি):
হন্দক্তা হায়দোকখিবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন অসামনা লৌবা ক্লাস টেনগী এগজাম রিজল্টতা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা চল্লাইবা স্কুল ৩৪ গী মহৈরোয় অমত্তা পাস তৌরকপা ঙমখিদ্রবা মতুং হায়রিবা স্কুলশিং অদু থিংজিন্নবা গভর্নমেন্টনা ফিরেপ লৌখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, হায়রিবা স্কুল ৩৪ অসিদগী মহৈরোয় ৫০০ হেনবনা ক্লাস টেনগী এগজাম থাখি। অদুবু রিজল্ট হায়দোরকপা মতমদা মহৈরোয় অমত্তা পাস তৌরকখিদে। মদুনা মরম ওইরগা হায়রিবা স্কুলশিং অসি কান্নদবা স্কুল ওইরে হায়না লৈঙাক্লা ফিরেপ লৌদুনা থিংজিন্নবা ফিরেপ অদু লৌখিবনি। অমরোমদা ষ্টেট অসিগী গভর্নমেন্ট স্কুল খরদসু মহৈরোয় য়াম্না তমদবগী রিপোর্টশিং লৈরে। মহৈরোয় লৈত্রবদি স্কুল লৈরুবগী কান্নবা লৈতবনা মরম ওইরগা মহৈরোয় লৈতবা স্কুলশিংসু থিংজিল্লবা য়ানা লৈরে হায়রি।

# মিজোরাম-অসাম ইন্টর ষ্টেট বোর্দরদা পুলিসশিং পুন্না মথৌ তৌহনবদা য়ানখ্রে

আইজোল, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি):
মিজোরাম অমসুং অসাম ষ্টেট অনীগী মরক্তা ঙমখৈগী ওইবা য়েৎনবশিং লৈরিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লিবা ফাওবা ইন্টর ষ্টেট বোর্দশিংদা লৈরিবা পুলিসশিং পুন্না মথৌ তৌমিন্নহনবা হায়না য়াশিন্নবা পুরকখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।




রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না চয়েৎনরিবা মফমশিং অসিদা ষ্টেট অনীমক্কী পুলিসশিংনা মথৌ তৌহনবগা লোয়ননা হান্নগুম লল্লোন ঈতিক্কী থবকশিং মখা চথহনবা অমদি ঈৱাং থোরকপা মতমদা পুন্না কন্ট্রোল তৌমিন্নবা হায়বা ৱাফমশিংসু য়ানখিবা অদুদা য়াওরি। মিজোরাম অমসুং অসাম ষ্টেট অনীগী লোন্নবা শরুক্তা লৈবা সী আর পি এফকী কেম্প অমদা মিজোরামগী দি সী অনী অমসুং অসামগী দি সী অহুম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা য়ানবা অসি পুরকখিবনি।

ইন্টর ষ্টেট বোর্দরশিংদা মথৌ তৌরিবা পুলিস পর্সনেলশিংনা য়াম্না ফ্রেন্দলি ওইনা থবক তৌমিন্নরবদি চয়েৎনবশিং কয়া কোকহন্নবা হোৎনবদা চাওনা খুদোংচাগনি হায়না ঙসিগী মীফম অদুনা খন্নখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অনীগী পুলিসশিং নুংশি চান্নগা মথৌ তৌমিন্নহনবদা য়ানখিবনি।

সী আর পি এফকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ষ্টেট অনীগী লোন্নবা শরুক্তা মিজোরামনা থোংশিং শারিবা অদুগী মতাংদসু কুপ্পা খন্নখি। থোংশিং অসি শানবা হোৎনবদা ঙমখৈগী চয়েৎনবা লৈবনা মরম ওইরগা শেম শাবগী থবক পায়খৎনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা অদুগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হায়র ওথোরিটিশিংদা এপ্রোচ তৌবা হায়নসু য়ানখি হায়রি।

পনবা য়াবদি ষ্টেট অনীগী মরক্তা কিলোমিটর ১৬৪.৬ শাংবা ঙমখৈগী শরুকশিং লৈরি। অদুবু ঙমখৈগী শরুকশিংদা মতম শাংনা চয়েৎনদুনা লাকখিবা থবক থৌওংশিংনা মরম ওইরগা ঙমখৈগী শরুক্তা খুন্দারিবা ষ্টেট অনীগী মীওইশিংগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাক্লি।

# CROSSWORD-3624



### ACROSS

1 Direction indicators (6)
4 Mark of social disgrace (6)
8 Parish clergyman (5)
9 Out of the ordinary (7)
10 Begun (7)
11 Insert (3,2)
12 Carnivore (4-5)
17 Of the moon (5)
19 Indifferent to pain and pleasure (7)
21 Charged with an offence (7)
22 Celtic priest (5)
23 Decorous (6)
24 Turn to ice (6)

### DOWN

1 Counsel, recommend (6)
2 Miracle (anag) (7)
3 German sausage (5)
5 Brass instrument (7)
6 Haggard (5)
7 Unwell (6)
9 Naked (9)
13 Spray can (7)
14 Hermit (7)
15 Constantly (6)
16 Solemn promise (6)
18 Shallow recess (5)
20 Put in sequence (5)

Solution 3623

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | H | A | R | T | E | D | | H | Y | M | N | S |
| R | | M | | U | | I | | A | | I | | E |
| U | P | P | E | R | | T | H | I | N | N | E | R |
| I | | L | | B | | H | | R | | A | | F |
| S | T | E | R | I | L | E | | Y | A | R | N | S |
| E | | | | N | | R | | | | E | | |
| R | I | P | P | E | D | | B | I | G | T | O | P |
| | | O | | | | P | | M | | | | R |
| S | Q | U | A | B | | E | X | P | L | O | D | E |
| U | | R | | E | | O | | R | | N | | S |
| S | T | I | R | R | U | P | | O | A | S | I | S |
| H | | N | | E | | L | | V | | E | | E |
| I | N | G | O | T | | E | L | E | C | T | E | D |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-4025

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | | 7 | | | | |
| | | | 9 | | | 1 | | |
| | | 9 | | 8 | | 4 | 7 | |
| | 9 | | | | | 6 | 3 | |
| 1 | | | 8 | | 9 | | | 4 |
| | 8 | 7 | | | | | 5 | |
| | 7 | 3 | | 5 | | 8 | | |
| | | 4 | | | 3 | | | |
| | | | | 2 | | | | 6 |

## Solution-4024

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 8 | 5 | 1 | 7 | 6 | 2 | 3 | 9 |
| 3 | 2 | 7 | 9 | 5 | 8 | 4 | 6 | 1 |
| 9 | 1 | 6 | 4 | 3 | 2 | 5 | 8 | 7 |
| 5 | 3 | 2 | 6 | 1 | 7 | 8 | 9 | 4 |
| 6 | 9 | 1 | 8 | 4 | 5 | 3 | 7 | 2 |
| 8 | 7 | 4 | 3 | 2 | 9 | 1 | 5 | 6 |
| 7 | 4 | 8 | 5 | 9 | 1 | 6 | 2 | 3 |
| 1 | 5 | 9 | 2 | 6 | 3 | 7 | 4 | 8 |
| 2 | 6 | 3 | 7 | 8 | 4 | 9 | 1 | 5 |

# EMPLOYMENT NEWS

## NATIONAL SPORTS UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR REGISTRAR

National Sports University Registrar Recruitment 2022: Advertisement for the post of Registrar in National Sports University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 23 September 2022. Candidates can check the latest National Sports University Recruitment 2022 Registrar Vacancy 2022 details and apply online at the www.nsu.ac.in recruitment 2022 page. National Sports University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.nsu.ac.in. National Sports University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of www.nsu.ac.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
National Sports University
invites applications for recruitment of Registrar
Registrar
Job Location:
2nd floor Olympic Bhawan Khuman Lampak Sports Complex, Imphal, 795001 Manipur
Last Date: 23 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Posts
National Sports University
National Sports University Recruitment 2022 Details
Company National Sports University
Job Role Registrar
Education Requirement
Total Vacancy 1 Posts
Job Locations Imphal
Experience Fresher
Salary Not Disclosed
Posted on 24 Aug, 2022
Last Date To Apply 23-09-2022
Educational Qualification: Please Refer Official Notification
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
Not Disclosed
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Registrar in National Sports University.
How to Apply:
Candidates must apply for National Sports University Recruitment 2022 before 23/09/2022 The procedure to apply for the National Sports University Recruitment 2022 is stated below also check the application link here.
Step 1: Visit National Sports University official website nsu.ac.in
Step 2: Search for National Sports University Recruitment 2022 notification
Step 3: Read all the details in the notification and proceed further
Step 4: Check the mode of application and apply for the National Sports University Recruitment 2022
Important Dates:
Published on: 25 August 2022
Last date for application is: 23 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## IIT GUWAHATI RECRUITMENT 2022 FOR POST DOCTORAL FELLOWSHIP

Tripura State Electricity Corporation Ltd Senior Manager Recruitment 2022: Indian Institute of Technology Guwahati Post Doctoral Fellowship Recruitment 2022: Advertisement for the post of Post Doctoral Fellowship in Indian Institute of Technology Guwahati. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 15 September 2022. Candidates can check the latest Indian Institute of Technology Guwahati Recruitment 2022 Post Doctoral Fellowship Vacancy 2022 details and apply online at the www.iitg.ac.in/ recruitment 2022 page.
Indian Institute of Technology Guwahati Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.iitg.ac.in/. Indian Institute of Technology Guwahati selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of www.iitg.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati)
invites applications for recruitment of Post Doctoral Fellowship
Post Doctoral Fellowship
Company Indian Institute of Technology Guwahati
Job Role Post Doctoral Fellowship
Education Requirement M.Phil, Ph.D
Job Locations Guwahati
Experience Fresher
Educational Qualification: PhD degree holders with all along first class or equivalent and having consistently a good academic record
Experience: minimum 2 (Two) research publications in peer-reviewed journals i conference proceedings
Skills / Eligibility
Age Limit: Maximum age of the IPDF applicant should be 35 years as on the date of deadline of IPDF application submission. lt may be relaxed as per GOI norm, i.e. by 5 years for women, SC/ST; 3 years for OBC(NCL) and 10 years for PWD category candidates. A person who comes under more than one category,
shall be eligible for only one benefit of relaxation which shall be considered most beneficial to him/her..
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Post Doctoral Fellowship in IIT Guwahati.
How to Apply:
Candidates who wish to apply for IIT Guwahati Recruitment 2022 must complete the application process before 15/09/2022. Here we have attached the complete procedure to apply for the IIT Guwahati Recruitment 2022 along with the application link.
Step 1: Go to the IIT Guwahati official website iitg.ac.in
Step 2: In the official site, look out for IIT Guwahati Recruitment 2022 notification
Step 3: Select the respective post and make sure to read all the details about the Post Doctoral Fellowship, qualifications, job location, and others
Step 4: Check the mode of application and apply for the IIT Guwahati Recruitment 2022
Important Dates: Published on: 24 August 2022
Last date for application is: 15 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং :
য়াইতম্বা

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

